এডিটোরিয়েল

শাজিবুগী ২১নি পানবা য়ুমশকৈশা, এপ্রিল ০৮, ২০২৬

[illegible]

হাইব্রিদ দেমোক্রেসিদা মণিপুরগী লাইবক
(মিক্সর ওফ দেমোক্রেটিক এন্দ ওথোরিটরিয়ান ইলিমেন্টস)

ভারতমুক ঙকপা লম লৈতে। মপান্দনা খ্বায়দগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক। মসিদা লৈরিবা য়ুম ময়ামসিগী ইমুং অয়াম্বন দিক্টেটরসিপ তাইপ ওফ ফেমিলি। লৈঙাকপশিংসু ওথোরিটরিয়ান ঙাক্তা। অদুননি হাইব্রিদ দেমোক্রেসি হায়রিবসি। দেমোক্রেসিগা ওথোরিটরিয়ানিজমগা য়ানশিন্নবা হাইব্রিদনি।

দেমোক্রেসি হায়রিবসিদি ইক্বেলিটি অমসুং ফ্রিদম অনী অসিনা মশা ওইবা উচেক্কুম্বনি। ফ্রিদম হায়বসিদা পীরিবা মরম চানা অথিংবা য়াওরসু মীওই অমগী পোকপদগী শিবা ফাওবদা মরম চাবা ফংবা য়াবা নীংতম্বদু লোয়না য়াওখ্রবনি। চৎনিংবা মফমদা চৎপা, খুন্দানিংবা মফমদা খুন্দাবা, ঙাংনিংবা, ইনিংবা হায়নিংবা মরম চাবা খূদিং লোয়না য়াই, শেন্নিংবা লূপ শেন্বা য়াই, চৎনিংবা লাইনিং লীচিং চৎপা য়াই, খুৎশু-খূৎলায় য়াওদনা মীয়াম পুন্না মীটিং তৌবা, রেল্লি চৎপা লোয়না য়াই। তন্নিংবা মহে তন্বা য়াই।

ইক্বেলিটি হায়বসিসু খূদোংচাবা লৌবদা অমসুং পীবদা চপ মান্নে হায়বনি। আইনগী মীৎমাঙদসু পুন্নমক চপ মান্নে হায়বনি। অদুবু শোখৎহৌরবা মীওই কয়াবু চপ মান্নবা পুখৎলকপদা মখোয়না খূদোংচাবা হেন্না পীবা য়াই। মদু খেন্নবা নত্তে, মান্নবা পুরক্কুবা খেন্নহনবনি। লৌমী অমগী মচানা ফংবা খূদোংচাবদু ওফিসর অমগী ফংবা খূদোংচাবনা হেনবা নত্তে। চপ মান্নে হায়ববুদি চুম্মী। অফবা মমিং লৈবা স্কুল কোলেজ অমদা লৌমীগী মচানা তম্বা য়াদবা লৈতে। অদুবু মীং চনবগী ইন্নরকপদদি ওফিসারদুনা টেলিফোন অমুক্তং তৌরকপদা খনবনা হানখি। লৌমীগী মচাদুদি খন্দবনা অয়াম্বনি। মসিদনি ইক্বেলিটিদু মন্দি মান্নে। নাকল অমদদি মান্নদে হায়রিবসি। চপ মান্ননা য়াইতোং খমদোংবগী মচাগী ইকোম কোমনা ফংখিনি। অনেম্বা থাক্কী মীওইদি হায়বদি লৌমী শীন্মীদি হেক মফংঙোই।

মথক্কী অনীসি য়েংলুরগা ভারত্তা মরম চানা ওইরবসু ঙাংবা ইবা অদুম কিহন খংহল্লি, হাৎপা-তুপ্পা, ফুবা চৈবসু য়াওই। খূদোং চাবা মান্ননা ফংই হায়রবসু খূদোংচাবদু কাংবু অমগী ওইনা রিজ ার্ভ লৈবগুম থম্মী। হায়নবা অমসু লৈ ইকোনোমি জষ্টিষ্ট লৈতনা দেমোক্রেসিগী ৰাহন্থোক লৈতে। মসিমদি শুক্লে লৈত্রে।

মথংদা সি এস ও শিং অমসুং ওপোজিসনগী দিসেন্ত ভিয়ু অসি অসুক্কী মতিক লিমিটেদ ওই। অশেংবগী হায়রগদি সিভিল সোসাইটি হায়রিবসিগা পোলিটিকেল সোসাইটিজ অনী অসি মরী লৈননা পোলিসি শেম্মু হায়বনি। মদু ফজনা তৌবা তৌদবা সোসিয়েল ওদিট তৌহল্লু হায়বনি। অদুনবু পার্টিসিপেটরি দেমোক্রেসিনি হায়রিবনি। হৌজিক্কী মতমদা সিভিল সোসাইটিনা হায়বা ৰাফমসি লৈঙাক্লা কয়া তাগন্দে। চপ মান্ননা ওপোজিসন্না পীবা দিসেন্ত ভিয়ু কয়াসি নীংথি নুংঙাইনা খন্নদে, দিসেন্ত ভিয়ু অয়াম্বদা পোজিটিভ কন্তেনশন লৈ হায়বসি খঙনা খঙনা থৌ-ৰা অদুম শানদে।

ইন্দিয়াগীদি দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনদি লৈবা অদুগা দেমোক্রেটিক পোলিটিক্স তৌদবগী ৰানি। কন্সটিট্যুসনদি লৈ, মসিদা য়াওরিবা পুন্বসি থৈদোক্তুনা লৈঙাক্লুবা অদু হোৎনৈ। লোসু লৈ মসিগী ৰাংমদা থবক তৌবা ময়াম অমা করিগুম্বা চৈরাক অমত্তা পীদনা লৈবা মীওইনা মশীং য়াল্লি। লেজিসলেটিভ এসেমব্লি লৈ। মসিদা তৌবা য়াবা দিবেট য়ান্না তৌনৈ। অদুবু ওপোজিসনগী দিসেন্ট ভিয়ুজ য়ান্না লিমিটেদ ওইহল্লি। ঙাংহন্দনবা হোৎনৈ, ঙাংবদসু লাংবা লাউদুনা মেন তাদবসি তোয়না থেংনৈ। ওপোসিন্নসু হেন্না লাংশিন্দুনা হাউস এদজোর্ন তৌবসি তোয়না থেংনৈ।

গ্রীক্কী অফাওবা পোলিটিকেল ফিলোজোফর সোক্রেটস প্লেতো অমসুং এরিষ্টোটলনা দেমোক্রেসি হায়বসি অফবা লৈঙাক অমনি হায়না লৌদে। মরমদি মীয়ামগী লৈঙাক হায়বসি মীয়ামদুনা শীং লগদি অফবা লৈঙাক লৈ। অদুগা মীয়ামদুনা পংলগদি অফবা লৈঙাক ওইদে। খুদম ওইনা খঙ-হৈরবা মীওই ৫০না মতিক চাবা মীনি হায়না খনবা মীওইদুদা ভোট পীবা, অতোপ্পা অমদনা অপংবা মীওই ১০০না ভোট পীবদা অফবা মীদু ভোট কাদে অপংবা ময়ান্না থাদবা ভোটতুনা কাই। মতিক চাহৌরিবা মীদুদি ভোট কাহৌদ্রে। মরম অসিনা মীয়ান্না শীংদ্রগদি ভোটতা অফবা মীওই খনবা ঙমদে। মসি ৩০০ বি সিদা খন্নবা ৰাফমনি। মণিপুরদা ২০২৭ দা চুমদনা লৈরদি লৈঙাক্লোন্দা মীয়ামসি থাক কয়াম নেন্না হিংলি।

ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামসি লাই য়ান্না নীংশিং হল্লি। লাইশঙদা ইন্নবদা নেৎখায়নবদা মী শিবা ঙল্লিবা লৈবাক্লি। দেমোক্রেসিদদি লাইশঙ হায়বসি মীয়ামগী খোল্লাও ফাজিনদুনা থম্বা ফত্তবা অমনি হায়না লৌই। মরমদি ভারতকী ওইনা লাইশঙ খূদিং দা লাক্লগা মীয়ান্না লাইদা বর নিবা মতমদা লাইদা দিমান্দ ময়াম অমা তৌই। মদু তশেংবদি লৈঙাক্কী মনাকোংদা হায়বা য়াবা ৰাফম ঙাক্তনি। মীয়ামগী মনিং থুংহনগদবসু মন্ত্রীশিংনা মীয়ামগী অপাম্বদু য়েংলগা থৌশিল, থৌরাং অমসুং থৌরম কয়া পাঙথোক্লগনি। অদুবু লাইদা লোয়না তাইনদুনা লৈবনিনা। মন্ত্রীশিংসু লাইশঙবু কৎপও, লাইশঙ অমনবা ময়াম শেমগৎ শাগৎপও, লাইসিনা তোয়না খুরুম্বা চত্তুনা লাই এদভর্টাইজ, লাইশঙ এদভর্টাইজ তৌদুনা লৈরি। চহী কয়াগী মমাঙদগী মোদর্ন ফিলোজোফর মেকি আবেল্লীনা ধর্ম অসি রাজনীটিদগী খাইদোকপগী ৰাঙুলোন ময়াম অমা ফজনা ইদুনা থম্বা য়াবা থনল্লবনি। ভারতকী ওইনদি বি জে পিনা রাজনীটি অমসুং ধর্ম পুনশিল্লগা লৈঙাক্লি।

মণিপুরগী মতাংদা য়েংবদা সেন্টর ষ্টেট রিলেসন্সিপতা সেন্টরনা হেন্না খূৎ থিংজিল্লিবা ফেদ্রেলিজম হায়বদু লৈতবগুম্বনি। ভারত অসি ফেদ্রেলিজমনি হায়বদি ষ্টেট অমসুং সেন্টর অনী পাৱর য়েন্নৈ। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তৌবা হায়বসি হান্না সবজেক্ট ১০০ লৈবদগী হৌজিক ৯৮ লৈ, ষ্টেট সবজেক্টনা হান্না ৬১ লৈবদগী হৌজিক ৫৯ লৈরি। অনীমক্লা তৌবা য়াবা কনকরেন্ট লিষ্টনা সবজেক্ট ৫২ লৈরম্বদগী ৪৭ লৈরি। মসি সেভেন্ট সেদ্যুলদা ফজনা ইদুনা লৈরিবনি। ষ্টেট সবজেক্টসতা

১। লো এন্দ ওর্দরদাঃ

– পুলিস লো এন্দ ওঁদর, প্রিজন্স।

২। এদমিনিষ্ট্রেসন্দা–

– ষ্টেট পব্লিক সার্ভিস, লোকেল গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন।

৩। সোসিয়েল সার্ভিষ্ট–

– এদুকেসন (টেক্নিকেল এন্দ হায়র এদুকেসন য়াওদনা) হেলঠ কেয়র, সোসিয়েল ৰেলফিয়ার, লেবর ৰেলফিয়র

৪। ইকোনোমিক এক্টিবিটিজ– এগ্রিকলচর, এনিমেল হজবেন্দরী, ফিসরিজ, মার্কেট অমসুং মেলা।

৫। ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা – রোদ অমসুং থোং (নেসনেল হায়ৱে য়াওদনা), ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটেসন, ইলেক্ট্রিকসিটি।

৬। রিভিন্যু– লেন্দ রিভিন্যু, এগ্রিকলচরদা টেক্স লৌবা, য়ুদা লৌবা এক্সাইজ দ্যুটিজ।

মরুওইবা সবজেক্স– পব্লিক ওর্দর, পুলিস, এগ্রিকলচর, লেন্দ রিভিন্যু, ষ্টেট টেক্সেস পনবা য়াই।

মথক্তা পঞ্জরিবা চাউরাকপা মরুওইবা সবজেক্স ময়ামসি দেল্লিনা খূৎ থিংজিনদনা ঐখেনায় তৌগদবা থবক্লি।

মসিগী মথক্তা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীনা তৌবা য়াবা কনকরেন্ট লিষ্টতা ।ওবা সবজেক্টশিং–

১। ক্রিমিনেল লো– ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর, মেরিয়েজ এন্দ দাইভোর্স, রিতস এন্দ কন্ত্রেক্স।

২। সোসিয়েল ৰেলফিয়র– এদুকেসন (টেক্নিকেল এন্দ হায়র), লেবর ৰেলফিয়র, সোসিয়েল সেক্যুরিটি এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট।

৩। ইকোনোমিক এক্টিভিটিজদা– ত্রেদ য়ুনিয়ন, ইন্দষ্ট্রিয়েল দিসপ্যুত, প্রাইজ কন্ত্রোল।

৪। এদমিনিষ্ট্রেসন – সিভিল প্রোসিদ্যুর, কন্টেম্প ওফ কোট৪, ইভিদেন্স।

৫। ইনফ্রাষ্ট্রকচর– হিথাংফম (মচা), ইলেক্ট্রিকসিটি, সীপ্পিং এন্দ নেভিগেসন (লৈবাক মনুংগী ঈশিং লম্বী)।

মরু ওইবা সবজেক্স খরদা – লুহোংবা অমসুং খায়নবা, লেবর ৰেলফিয়র, এদুকেসন, ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন অমসুং ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর পনবা য়াই।

হায়রিবা ময়ামসিদা ষ্টেটনা লৈঙাকচগদবনি। মসিগী মনুংদা খ্বায়দগী মরু ওইরিবসি পব্লিক ওর্দর অমসুং পুলিসনি। মণিপুরগী ৰাথোক্তা খ্বায়দগী মরী লৈনরিবসি অনী অসিনি। ঐখোয়গী পুলিসনা ২০২৩দগী ঙসি ফাওবা খূৎলায় অমসুং লালহৌবা লেপ্তনা তম্পাক্তা ফারি। চীংদদি অমত্তা ফাদ্রি। চীংদা খূৎলায় খরা ফারিবসিদি ফাননবা মখোয়না খরা থম্বা শীজিন্নবা য়াদ্রবা ঙাক্তনি। কাপথরকপদদি সোফিষ্টিকেটেদ ৱিপন্স ঙাক্তনি। ফাবদনা সিঙ্গল বেরেল লোকেল মেদনা অয়াম্বনি। মসিদি তৌশিন্নবগুম্বনি। অফ অফবা খূৎলায় ময়াম পুদুনা কোয়চৎ চৎলিবা ময়ামসি মাগী মাগী দিজাইনেটেদ কেম্পদা হোইজিনগদবনি। খূৎলায়শিংদু নমদুনা লৌশিল্লগা সি আর পি এফ অমসুং বি এস এফকী কেম্পতা থম্নবা হায়গদবনি। হৌখিবা ২০২৫কী সেপ্টেম্বর ৪দা ‘সূ’দা লৈবা আর্মস গ্রুপস হোমগা য়ান্নদুনা খূৎয়েক পীনখ্রবা ৰাফমনি। মদু তৌদবগী মরম করিগীনো। অথিংবা লৈব্রা? ৰাহং লৈ।

শান্তি পুরক্লবনি হায়দুনা কোয়চৎ চৎলগা নুমিৎ খূদিংগী নোংমৈ কাপথরক্লগদি নোংমৈদুনি লৌথোকপা মথৌ তারিবসি। অদু নৎত্রিমখৈ শান্তি লৈরোই। আই দি পিশিংসু লৈবা ঙল্লোই। আই দি পিশিং অসি লৈহন্দ্রিঙৈ মমাঙদা লার্জ স্কেল দিসআর্ম চীংদা তৌবা চংই। মসি ষ্টেটকী পাৱর মনুংনি। দেল্লিনা হায়বা লৌবা লৌদবা ষ্টেটকী পাৱরনি। মসি সুকতৌ তৌদনা ষ্টেট অমসুং সেন্টরনা শান্তি থম্নবা হোৎনৌ । হোৎনরি হায়রদি নিঙোল মৱানা হৌদোক মচা য়েংবগী ফিভম তাদুনা তোক্কনি।

ম্যান্মারগী চিন ষ্টেটতা লৈবা কুকি ময়াম অসি মমানা পোকপদগী দেমোক্রেসি হায়বদু করিনো খঙবজাৎ নত্তে। ষ্টেটকী লোনা য়াদবা থবক তৌবা য়াদে হায়বা মখোয় খঙবা নত্তে। কন্সটিট্যুসন করিনো খঙবা নত্তে। জঙ্গলদা লৈবা শানা তৌনিং তৌনিংবা তৌবগী পোলিটিকেল কলচরদুনি মখোয়দা লৈরিবসি। হান্নদগী ঙন্না লৈদুনা দেমোক্রেটিক কলচর লৈরবা কাংবুগীদি ৰাথোক ওইরোই। অথেংবদা লাকপা ময়ামসিদি নমদুনা তান্থোকখিগদবনি।

ইশম শন্না ষ্টেটনা নীং তন্না দেল্লিগী মৰা লৌদনা খূৎলায় লৌথোকপা, মীতোপ তান্থোকখিবা, তৌবা য়াবা ময়ামসি থা খরসিদা তৌবা য়াবা তৌহৌগদবনি। ষ্টেট সবক্টেতা দিল্লিনা খূৎ থিংজিনবা য়াদে। খঙহনবা চংই। অদু ওইরবদি শান্তিসু লাক্লনি। আই দি পিসু ময়ুমদা হনবা ঙল্লনি। য়ুমকোক থিবা, মীকোক থিবা লোয়না তৌবা য়ারনি। শগোল মমাঙদা চীংনবা গাড়ী থল্লগা চৎলনি চৎলনি হায়দুনা মুকপা হায়বসি মীয়ামদা অপংবা শীবদি লায়রি, লৈঙাক্লিবা নখোয়না হেন্না পংলিবনি। থৌনা চংই, চৌক্রী কোনবনা মথৌ তাদে। মীয়ামগী নুংঙায়বা য়াইফবনা অহানবা খোঙথাংনি। তৌফম থোকপনি। দেল্লিগী ওথোরিটরিয়ান লৈঙাক মণিপুরদদি য়াদে হায়বা লুচিংবদু মণিপুর মীয়ান্না পাল্লি।

লাই ধন

লাউদুনা য়েংদুনা লৈবিরনু
মীতোপনা চাক্লিবা মৈ মুথৎপা ঙল্লোই খঙবিয়ু

মীহাৎপা মহিক শেংদোকহৌসি, ঐখোয়গীদমক কনা অমত্তা চোং থোরক্লোই। ঐখোয় কপকনি, ঐখোয় শিগনি, ঐখোয় শোক্কনি। ভাবোক য়ান্না লৈ। মীনুংশিদি লায়রদনা চাওখৎতবা, ৰাখল তাদবা হাৎন-শুনবা য়ান্না পাম্বা কাঙলুপনি অদুমক মমাংঙৈগুম হায়নখিগনি। থৌনা লৈসি, নৎত্রবদি ঙায়োক চফুদা য়োকপা ঙাগুম নোংম-নোংমগী চানিং-চানিংবা মতমদা খুৎ হুমজিন্দুনা লৌথোক্তুনা চাথোকপগুম ঐখোয়সু নোংম-নোংমগী নিংলক-নিংলকপা মতমদা হাৎলকখিবা তাবনি। ঙসি থোক্লিবা থৌদোক অনৌবা নত্তে। কয়াম কুইনা অসুন্না অৰাবা, মীকপ-মীরাউখোল তাদুনা লৈখিগনি হায়বসি অচৌবা ৰাহং অমা ওইররে। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কি সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবনদি য়ারোই। মীৎয়েং শান্না থবক তৌবা চঙই। তন্দু লৈতানা লৈবা পামদবা মীওই কয়া লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। ঈং-তপ্পা খরা হেক লাকপগা তম্পাক লমদা নোংমৈ কাপথরকপা অমদি বোম কাপশিল্লকপগী থৌদোক অনৌবা নত্তে। নোংমৈ কাপথরক্লগা অমদি বোম কাপশিল্লক্লগা কোইচেন চেন্দুনা পুন্না ৰামিন্নবনদি ৰারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। মীচম কয়া, পিক্লিবা অঙাং কয়া অমদি নহা ওইরিবা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পিখন্নখ্রে। উশিৎতবা অমা য়াওবগা পান্থক ওইরবা থৌওংশিং অসি কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈগদৌরিবনো? পূন্নমক অসি কনানা থোকহনবনো? লমদম অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম ঙাক শেনবগী থৌদাং কনানো? করিগীদমক মীচম মীয়ান্না ভোট থাদদুনা লুচিংবা খল্লিবনো? মশাগী থৌদাং মশক খঙদ্রবদি চৌক্রিদা কুইনা ফম্বা য়ারোই হায়বসি লুচিংবশিংনা খঙবিগদবনি। মী লৈত্রবদি য়ান্না পান্নরিবা কোইতান-কোইতান তান্নরিবা চৌক্রি অদুগী ভেল্যু লৈরোই। চৌক্রিদা ঙসি ফম্বা ঙল্লিবা অসি মীচম মীয়াম লৈবগীনি। মীয়ান্না শাউরক্লবদি চৌক্রিদি লায়রদনা য়ূম মৈ চাক্লক্কনি। মীয়ান্না শাউরিবা অসি চুমগনি। কয়াম কুইনা অৰাবা অসি মায়োক্লন্দুনা লৈখিগনি। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শক মায় খঙনরক্তনা অউ-অউ হাৎনরকপা য়াবগী থৌদোক ফাওবা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। খাঙবা ঙম্বগী চাং অমসু লৈ। চাং অদুদগী হেন্দোক্লরক্লবদি অফবা ওইরোই।

ইতৎ-তৎতনা তম্পাক লমদা উশিৎ থওইদনা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লক্লিবা অসিগী দাইরেক্টর কনানো মশক হৌজিকসু খঙদ্রিবমাল্লি। খঙলগনা করিগী তুমিন্না অদুমক য়েংদুনা লৈরি। খঙদ্রগনা খঙদোক্তুনা মখা তানা থোক্লক্তনবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো? মীচম মীয়ামগী মীকপ মীরাউখোল তাদ্রবা লুচিংবা অদুদি লুচিংবা ওইনা লৈবগী মথৌ তারিব্রা? মীয়ামগী অশাউবা ঙাইদুনা লৈগদৌরিব্রা? জুন ১৮ গী থৌদোক লুচিংবশিংনা নীংশিংবা চুমগনি। লুচিংবশিং লিংজেল মান্নবিয়ু, দিল্লিগী মমাংদা মীচম মীয়াম ইকায়বা ফাউনরে। মীয়ান্না লুচিংবশিংগীদমক ঙসিসু লেপ্তুনা লৈরি। মফম মরাং খঙদনা মীবু হেক্তা হাৎপা য়াব্রা? কনানা অহানবা ওইনা লান্দারকখি। খঙনা-খঙনা তুমিন্না লৈশিনবা চুল্লোই। মতম চানা মী হাৎপা মহিক ফাদোকহৌদ্রবদি হান্নদগী মুৎকদবগী ঙাইদুনা লৈবগা পান্থক ওইরবা তম্পাক লমগী ফুরুপ চহী খরগী মতুংদা হিষ্টরিদা তম্পাক লমদা তারম্বা ফুরুপ অমা মুৎখ্রে হায়হৌরগনি। হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দা থোকখিবা চৈনা ঙসিসু মীচম মীয়ান্না ফংলি। হৌজিকসু আই দি পি কয়া ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরি। অচাকপা মৈদা ঘি হৈজিনবগী থবক তৌবিরনু। মতম শাংনা ঈংনা চিক্লা লৈবা ঙন্নবা থৌরাং তৌহৌবনা পূন্নমক্কি য়াইফবা ওইগনি। মীতোপনা লাক্লগা লমদম অসিদা চাক্লিবা মৈ কৈদৌনুংদা মুথৎলোই হায়বসিমদি য়ান্না ময়েক শেংনা খঙবিয়ু। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লান্দারক্লিবা পূন্নমক থেংনমিন্নবা চঙই। পূন্নমক অসিগী থৌদাং কনানা লৌফম থোকপগে? লুচিংবশিংনা খনবিয়ু, অদুমক য়েংদুনা লৈবিরনু। ঙরাং লৈখিদবা পিক্লিবা অঙাং অনি অদুগী মরাল করিনো? মদুগী তেকচাক কনানা পুগনি, শেলনা অঙাং অনি অদুগী থৱায় লৈবা য়াগদৌরিব্রা।

কালেন থা য়ৌরকপদা ঈশিংগী অৰাবা
লৈবাকমচা খুমন

ঈশিং হায়বসি তাইবঙ মী, শা, ঙা পাম্বী মক নত্তনা শক উদবা জীবশিং ফাওবা শৈদাংদুনা হিংবা ঈশ্বরগী পীরম্বা খুদোলনি। অসিগুম্বা থৱায় গুল্লবসি মীওইবনা মহৌশা লাইরেম্বী ইমাবু হঞ্জিন হঞ্জিন শীংনরুবগী মহয় ওইনা ঈশিং ফংদবনি হায়না সাইন্সনা ইরাই লাইনা হায়রকপসু য়ারি। নোংজু-নোংশাগী চাং খেন্নরকপনা লৌউ শিংউবদসু চৈথেং পীরিবনি। নোংজু থাদা ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী থমহৌবা কান্নরক্কনি। লমদমসিদা ঈশিং ফংদবা নত্রগা নোং তারক্তবগী মরম অমদি ঈকং থোকপগী শকলোনশিং অসি মৌসুমি নুশিৎতা মপান তাঙবা, উমং কোকথোক্লুবা, ক্লাইমেট চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্নিং হেনগৎলকপা, ঈশিং য়োকশিনবা ঙমদবা, মীশিং, কল খানা, গাড়ি মশিং হেনগৎলকপশিংনা হকথেংননা নত্রগা নাকোয়ননা চৈফু পীরকপদগীনি। মী কুংনা খুন্দারকপনা খুঙ্গংগী পুখ্রি, পাৎ, তুরেলগী ফিভম মাঙখিদুনা ঈশিং লৈনরগা শীজিন্নবা কোঙ্গাইনি। শক ২০১৯দগী ২০২৪ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা ঈশিং য়োকশিনবগী সেন্ট্রেল স্কিম, জল জিবন মিসন (জল) হৌদোকখ্রে। মণিপুরগী ওইনা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, জিরিবাম, চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা রিজার্বর পোন্দ কয়া শেমগৎখিবনি। থৌরাংসিদা ১৪০ ফিট পাকপা মফমশিং মেছিননা তৌথোক্কনি, তৌথোক্লুবা মতুংদা মফমদু প্লাষ্টিকগী মরোল অমা হাপকনি। পীকপা, চাওবা হায়বদুনা শেনথংগী মখা পোল্লি। মতৌসিনা ঈশিংদু লৈখাদা চুপশিনহন্দনা লেংদনা লৈহনগনি। তশেংনা থবক্তু লোয়রে হায়বগী জি পি এস মেপ লৌগনি। থৌরাং অসি অফবা খোঙথাংনি খল্লি, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তা সেভ ৱাটর রিজার্বর পোন্দ ১০ মুক শাখিবনি। ঈশিং তুং শিল্লবসু য়োকশিনবনা শীজিন্নবদি কয়া উরক্তে। ফত্তবা, অমোৎ অকায় লংথোকফম ওইনা তৌরম্মী। চীংগী জগাশিংদদি লোককী ঈশিংনা অয়াম্বা শীজিন্নে। থকপা চাবা, ঈরুজবা, শা, শনশিংগী দরকার ওইরকপা ঈশিংশিং অরাপ্পা লোক্তগী পাইপ মথং মথং শমদুনা ৱাটর টেঙ্ক নত্রগা কোমজাও তৌদুনা থৈন্নে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সপরমৈনা, মোটবুং, পার্সন, কালা পহার নত্রগা হাইপীগী মফমশিং থৌওং অসি উবা ফংগনি। হাইপি ভিল্লেজদগী কে মি ১২ লাপ্পা চীংথক্তগী ঈশিং পুরকপা থেংনখি। সাপরমৈনাগীসু কৌক্রু লোকচাওদগী লৌবা ঈশিং শীজিন্নরম্মী। হৌজিক দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইবীরীবা নেমচা কিপগেনগী য়ুমদসু ফজখ্রবা পুখ্রি অমদি লোক্তগী পুথরকপা ঈশিং শীজিন্নরী। মদুনসু ওইরম্বা য়াই, মফমশিংদা রিজার্বর পোন্দগী চান্নফম লৈত্রিবসি প্রজাশিংবু ভাব তাহনবা অমদি শীজিন্নবগী মওং তাক্তবনা অরেম্বা তাহল্লে, খুদক্কী হৌদোকরকপা থৌশিল মশিং হেন্না পীহননিংই। মরমদি লৌউ-শিংউবা অমদি য়েনশাং নাপী থাবদা শীজিন্নবা য়াগনি খল্লি। মরী লৈনবা ভিবাকশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মাঙখিগদবা ঈশিং কলহৌসি।

চীংদগী লাকপা ঈশিংনা তম্পাক লমদা ঙাইহাক খংচাও চাওরল্লগা লোক্তাকপাৎতা লোইনা চেন্থখ্রগনি। ঈশিং য়োকশিনবগী থৌওংসিনা ঈশিং ঈচাওগী শরুক খরা খক ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোংদোকখিবদি লৈরে। তম্পাক্তা পীদে হায়বদি নত্তে, হেন্না পীরকপা কান্নগনি নত্রগা চুশিন্নগনি হায়জবনি। প্রোপোজেল থাদুনা এল্লোকেসনসু হাপহৌসি, চহী খূদিংগী কালেনগী মতমদা ঈরিল তুরেলগী হৌরকফম অৰাং মায়কৈ সেনাপতি, কাংপোকপীগী জগাশিংদা তুরেল খোনুং মতেক মতেক কংদুনা লৈগল্লি। তম্পাক লমদসু থক্লবা ঈশিং লৈনরগা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। উসব নত্রগা মীয়াম তিনফমদা ঈশিং বোটল কয়া থেংনবীরমগনি। হৌজিকপুদি ফরে। মতুংদদি শুকফং ফংলক্তবসু য়ারি। মমাংঙৈগী মতমদা ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরমদে। তুরেলগী ঈশিং ফীজিগ্রি হায়দুনা ফমথহন্দুনা শীজিন্নে। ঈশিং খ্বাইদগী ৰাবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হায়বদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট অসিনি। মফমশিংদা লোক অয়াম্বা কংলকপা, রিজার্বর য়ামদবা অমদি অচৌবা লোক, তুরেল থীন্নবদা শেল হেন্না চৎহল্লি। ঙরাং নহালতা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং লিটর ৫০০দা লুপা ৪৫০ য়ৌদুনা খমথেংনা ঈশিং ফংনদরে হায়বগী মেদিয়া রিপোর্টতা ফোংদোকখ্রবনি। অমরোমদা, লৈনুংদগী ঈশিং লৌবগী মওং, গুহা, হেন্দপম্পশিং অসি মোরে, জিরি, সেকমাই নত্রগা অতৈ মফমশিংদা উবা ফংবীরমগনি। হায়সু হায়বনি, উমং কোকথোক্লুবদগী গ্রিন রিভোলুসন লৈরক্তবনা লম্বীদা নোং তাবা, লৌবুক্তা তাদবা, নোংজুগী চাং নাইরক্তে। মালেমগী গ্লোবেল ৱার্মিং হোংলকপনা মৌসুমিগী নোংজু-নুংশাসু হোংলক্লি। শন্নাহায়জ নিংবদি, উমংসু কনবীয়ু অমদি পি ঐচ ই দিগী থৌশিল-থৌরাংসু লৌখৎপীয়ু। ইম্ফাল সহরগী হোস্পিটাল, হোটেল, স্কুল, কলেজ, ওফিস, এন জি ওশিংদা ঈশিং লৈবগী গাড়িশিং নোংমগী অয়ুক অঙনবদা উনরী। ঈশিং লৌফম লৈনবগী ফম্মী। লৌফম লৈরক্ত্রবদি কদায়দগী লৌরুগনি। নীংথমথা লোইখিদুনা কালেন থা য়ৌরক্লবনা ঈশিংগী অয়াবা মায়য়োক্লরক্কনি। সেন্ট্রেল স্কিমগী পুখ্রিগী ঈশিংনা থক্লবা ঈশিংগী ওইনা শীজিন্নদ্রবসু এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর নত্রগা অতৈ হিরমশিংদা শীজিন্নবা য়াই। দিজাইন তৌরবা প্লাষ্টিকসু মশাগী স্কিমসিদা য়াওজরে। মদুগী মথক্তা কোম তৌগদবশিংদুগী মমলসু য়াওরবনি। মতাংসিদা থিকাগী মওংদা পুশিল্লকপদি চুমদে, নোংচুরকপা মতমদা ইশা ইশাগী য়ুমদা সিন্টেক্স, টেঙ্ক থান্নবগা চপ মান্নে। ঈশিং য়োকশিনবা ঙন্নবা থৌরাংনি। রিজার্ব পোন্দগী কান্নবা খরা নৈনসি। অদুঙৈ, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টগী শরুক ওইরম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই কেন্দ্রগা তৌহনবা নোংমাইজিং চীংগী নাপোমদা লৈবা তখেলগী মফম অমদা রিজার্বর অনি শেমখি। নুমিৎ ২৪ চঙনা লোইশিনখিবনি। মতমদু নোংজু থা ওইবনা ঈশিং থন্না য়াওরমখি, অৰাৎপা পোৎলম-চৈরম, চে-চাং পীরমখি, পাথোরকপা ঈশিং লৌশিন্নবা পাইপ , ইঞ্জিনশিংসু পীরম্বনি। লোইবগী জি পি এস মেপসু লৌখিবনি।

মদু শেল্লুবদগী খুলগী নিংথৌনা মানা মশিং, মোরোক, ফদিগোম, কোবী, কোলি হৱাই, য়েন্দেম, খামেন অশিনবা, পাল, আলু, শীং, য়াইঙং পাক্তক্লনা থাবা হৌরমখি। অদুবু ফুরুপকী ঈরাং লাকপদগী নীংথৌ য়াওনা খুঞ্জাশিং চুরাচান্দপুরদা লাঞ্জেন্নখ্রে। থক্লবা ঈশিং ফাওবা মদুদগী শীজিন্নে হায়রমখি। খুলগী চীংখাদা হেন্দ পম্প অনিসু লৌহৌই। কোলক্লিক চাম্বা, ইরুজবদা শীজিন্নবগী মমি তাহৌই। মওংসিনা নোংগী ঈশিং থোইনা মাঙবা থেংনরোই, লৈখাদা ঈশিং চুপশিন্দবা অমদি লীন, হঙোই, ঙাপ্রুম, উচি লৈবগী চাং হন্থবনা ঈশিংদু লেংদনা লৈগল্লি। করিগুম্বা মতমদা ঈশিং শিজিন্নথোকখিবা নত্রগা মনিল ওইনা পাইখিবা নত্রগা মাঙবগী মরম লৈহন্দে। তম্পাক লমগী চাওনা লৌউ-শিংউবা, মনা মশিংগী ফার্ম তৌজরিবশিংনা থৌওংসিনা হেন্না খুদোং চাহনগনি। অতৈ অতোপ্পদা হিরমশিংদসু শীজিন্নবা য়াহল্লি। স্কিম অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিং মরু ওইনা য়ু পি, হরিয়ানা, পঞ্জাব, মহারাষ্ট্রানচিংবদা মায় পাকখ্রবনি। টামিল নাদু, কেরেলা, বিহারগী ষ্টেটশিংদা হৌজিক কন্না চত্থরি। লৈবাকসিদা গুহা তৌবগী চাংসু হন্থরে হায়বগী রিপোর্ট লৈরি। চীং নত্রগা তম অনিমক্তা শীজিন্নবা য়ারবসু লৈতেম মান্নবা লমদনা চুশিন্নবা হেল্লি। মফম কয়াদা পুখ্রিদি তৌরবা প্লাষ্টিক পীরবা মতুংদা জি পি এস মেপ লৌহল্লবা কায়নথংদা প্লাষ্টিক লৌথোকখিবা থেংনৈ। মসি তৌবীগনু প্লাষ্টিকগী মতেংনা ঈশিং য়োকশিল্লিবনি। থওইননা কম্পেনিনা পীরকপা অমন্নবা প্লাষ্টিকনি। লৈখাদগী লেভেল ১দগী লেভেল ৪ ফাওবা য়াওহন্দুনা লৈরিবনি। মরী লৈনবা বিভাগশিংনা শেল্লন্লিবা মওং-মতৌ ফিভমদু অদুমক কায়হনবীগনু। কায়হনখিদা লৈকায়গী পুখ্রিগা চপ মান্নগনি হায়বদি কালেনগী মতমদা ঈশিং কংলক্কনি। মদু থোক্তনবা অকোয়বগী তেপ চপতুনা ফজিন্দুনা থমগদবনি। থৌদৌ অসিগা চপ মান্নবা মওংদা মমাঙদা গ্রীন হাউস শান্নবা পীখিবা মচাক মরুম ওইনা প্লাষ্টিকনা শঙ্গোল শারম্বা, গাড়ি কপ্লম্বা, লৌ য়ৈনরম্বা অমদি পিল্লরশিংনা ৱাল থারম্বা নত্রগা য়োন্থোক্লম্বা কয়া থেংনখ্রে। রিপোর্টতু লাকপদগীদি মথংগী এল্লোকেসন খুদিংমক ককপীখ্রে। গ্রিন হাউস দরকার ওইজবা ফার্মরশিংগী হক মৎপীরে হায়বনচিংবদি ইপা-ইপুশিংনা ৱারীনবদা ৱাকচিং থাদা নোং মরিক অমা খক ওইরবসু তাদবা ফত্তে হায়নৈ। অদুবু শক ২০২৬কী ৱাকচিং থাদি নোং শুংতা তাখিদরে। করি ওইরকপা য়াই হায়বা ঙমদ্রিবনি। সাইন্সনা করি হায়রিবনো হায়বদুদি খঙদে। অখঙ-অহৈশিংগী মোত তারে। তৌইগুম্বসুং কালেন থাদা ঈশিং ৱাৎপগী অৰাবা থেংনরক্কদবনা থৌশিল-থৌরাং মরা লৌখৎহৌবনা চুমগনি খল্লি। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা নীংশিংজরি।